# ইন্দিয়া অমসুং ব্রাজিলনা লৈনরিবা মরীশিং হেন্না ফগৎহন্নবা এগ্রীমেন্ট ১৫ সহি তৌনখ্রে

***ন্যু দিল্লি, জনুৱারি ২৫(এজেন্সি)ঃ***

লৈবাক অসিদা লাক্লিবা ব্রাজিলগী প্রসিদেন্ট জেইর মেসিয়াস বোলসোনারোগা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগা হিরম কয়াগী মতাংদা ৱারী শান্নরবা মতুংদা ঙসি ইন্দিয়া অমসুং ব্রাজিলনা ট্রেদ অমসুং ইনভেষ্টমেন্ট, ওইল অমসুং গ্যাস, সাইবর সেক্যুরিটি অমসুং ইনর্ফোমেসন টেক্নোলোজিগুম্বা হিরম কয়ামুক্তা তেংবাংনবা হেনগৎনবা এগ্রীমেন্ট ১৫ সহি তৌনখ্রে।



ষ্ট্রেটেজিক পার্টনর অনীসিগী মরক্তা ষ্ট্রেটেজিককী মরিশিং হেন্না পাকথোক-চাওথোকহন্নবা এক্সন প্লান অমা য়াৎপা লোয়শিল্লে হায়না মোদিনা হায়খি। ইন্দিয়াদা নহাক্না লাকপসিনা লৈবাক অনীসিগী মরক্তা লৈনরিবা মরীশিংদা অনৌবা তাঙ্কক অমা হাংদোক্লে হায়না প্রসিদেন্ট বোলসোনারোগী মমাঙদা মেদিয়াদা পীবা ষ্টেটমেন্ট অমদা প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা হায়খি। লৈফম লাপনরবা ফাওবদা মালেমগী মখল কয়াগী হিরমশিংদা লৈবাক অনীনা পুল্লি হায়নসু মহাক্না মখা তাখি।

ৱারী শান্নবা অদুদা মহাক্কী ওইবা ৱাফম ফোঙদোক্লদুনা প্রসিদেন্ট বোলসোনারোনা হিরম কয়ামুক্তা তেংবাংননবগীদমক য়ানরোল ১৫ সহি তৌনরদুনা লৈবাক অনী অসিনা হান্ননা লৈনরিবা অকনবা মরীশিং অদু অমুক্কা হেন্না কনশিনহল্লে হায়খি।

ব্রজিলগী প্রসিদেন্ট বোলসোনারোনা মহাক্কী মচানুপী লোরা বোলসোনারো, মমৌনুপী লেটিসিয়া ফিরমো, মিনিষ্টর ৮, ব্রাজিলিয়ান পার্লিয়ামেন্টকী মেম্বর ৪ অমসুং অচৌবা ব্যুজিনেস দিলিগেসন অমগা লোয়ননা ইরাই নুমিৎতা মফম অসিদা থুংলখিবনি।

হয়েং নোংমাইজিং নুমিৎতা ইন্দিয়াগী রিপব্লিক ডে পেরেদতা ব্রাজিলিগী প্রসিদেন্ট অসিনা চীফ গেষ্ট ওইগনি।

ওক্টোবর ২০১৮দা পাংথোকপা ব্রাজিলগী প্রসিদেন্ট মীখলদা হান্নগী আর্মি কেপটেন অমা ওইরিবা বোলসোনারোনা পাক্তক্লনা মায় পাকখি অমসুং হৌখিবা চহীগী জনুৱারিদগী লৈবাক অদুগী লৈঙাক পায়রকখি।

ইন্দিয়ানা লেটিন অমেরিকাদা মরী লৈনবদা ব্রাজিলনা খ্বাইদগী চাওবা লৈবাকনি। ইন্দিয়ানা ব্রাজিলদা এক্সপোর্ট তৌরিবা মরুওইবশিংদি এগ্রো কেমিকেলশিং, সিনথেটিক য়ার্ন, ওটো কম্পোনেন্ট অমসুং পার্টস, ফার্মসিয়ুটিকেল অমসুং পেট্রোলিয়মগী পোথোকশিংনি।

ব্রাজিলনা ইন্দিয়াদা এক্সপোর্ট তৌরক্লিবনা ক্রুদ ওইল, গোল্ড, ভিজিটেবল ওইল, সুগর, বল্ক, মিনরেল অমসুং ওরশিংনি।

২০১৮ ব্রাজিলদা ইন্দিয়ানা থাদরিবা শেনফম দোল্লর বিল্লিয়ন ৬ লোমনি। অমরোমদা ব্রাজিলনা ইন্দিয়াদা থাদরিবনা দোল্লর বিল্লিয়ন ১ রোমনি।

ইন্দিয়াদা ব্রাজিলগী ইনভেষ্টমেন্টশিং অসি ওটোমোবাইলস, আই টি, মাইনিং, ইনর্জি অমসুং বাইওফুয়েল সেক্টরশিংদনি।

# চিনাদা কোরোনাভাইরসনা শিখিবা ৪১ শুখ্রে, মিলিটরি মেদিক ৪৫০ ৱুহানদা থাখ্রে

***বৈজিং জনুৱারি ২৫(এজেন্সি)ঃ***

চিনাগী খ্বাইদগী চাওবা চহীগী কুমহৈ লুনার ন্যু য়ার ফেষ্টিবেল মতমদা মীওই মিল্লিয়ন কয়াবু য়ুমদগী মপান থোকহন্দবগা লোয়ননা মালেমগী অকোয়বদসু শন্দোক্লকখ্রবা হৌজিক ফাওবদা মীওই ৪১ শিখ্রবা কোরোনাভাইরস অদু শন্দোক্লকখিবগী ময়োল অদুদা ঙসি থাংজ নুমিৎতা চাইনিজ আর্মিনা মেদিকেল স্পিসিয়েলিষ্ট থারকখ্রে।



অনৌবা চহীগী নুংঙাইবা থৌরম পাংথোক্কদৌরিবা অদুগী মহুৎতা ঙসি ৱুহান সিটিজেনশিংনা ফুল-বোদি প্রোটেক্টিব সুটশিং শেৎপা অমসুং সর্জিকেল গ্লোবশিং উপ্পা ইমপ্লোয়ীশিংদগী মাক্সশিং লৈনবা ফার্মাসিদা পরেং লেপ্লরি।

চিনাননা হুবৈ প্রোবিন্সকী অয়াম্বা মফমদা মীওই মিল্লিয়ন ৪০ হেন্না ক্বারেন্টাইনগী থবক লৌখৎখ্রে। হুবৈ প্রোভিন্সকী কোনুং ৱুহানগী নোংপোক থংবা মপান্দা লৈবা মফমশিংদা সিটি অসিদগী নাম্থোক্তুনা চৎনবা হোৎনবা গাড়ী কয়া রোদ ব্লোক তৌরিবা পুলিসনা থিংখ্রে। কনামত্তনা মফম অসি থাদোক্তুনা চৎখিবা য়ারোই হায়না পুলিস ওফিসার অমনা হায়খি।

লাইচৎ অসি হৌরকখিবা মফম ৱুহান সিটিদা মীওই ১৫ শিখ্রবগী মতুংদা লৈবাক্কী ওইনা শিবগী অপুনবা মশীং হৌজিক ৪১ য়ৌরে হায়না ঙসি থাংজ নুমিৎতা গভর্ণমেন্টনা ফোঙদোকখ্রে।

লাইচৎ অসিনা নাবা শেংনা খঙলবা মীগী মশীংসু পুং ২০লোমগী মমাঙদা ৮৩০দগী ১২৮৭দা হেনগৎলকখ্রে। শিরিবা মীওই অয়াম্বসি অমসুং লাইচৎ অসিনা নারিবশিং অসি অয়াম্বনা হুবৈ প্রোভিন্সতনি।

ঙরাং ইরাইগী অথেংবদা মিলিটরি এয়ারক্রাফতা থুংলখিবা মেদিকশিং অদুদা এস এ আর এস নৎত্রগা এবোলা থেংনবদা হৈশিংলবা দোক্টরশিং য়াওরক্লি অমসুং অনাবশিং হেন্না লৈবা মফমশিংদা লৈবা হোস্পিটালশিংদা থাখ্রগনি।

হন্দক শন্দোরক্লিবা অনৌবা অঙকপা কোরোনাভাইরস হায়রিবসিগী লাইচৎ অসি ২০০২-২০০৩দা মেনলেন্দ চিনা অমসুং হোংকোংদা মীওই চা কয়া হাৎখিবা অমসুং অতৈ লৈবাক কয়াদসু শন্দোক্লকখিবা সেভিয়ার একুট রেস্পিরেটরি সিন্দ্রোম (এস এ আর এস)কা মান্নবা মরমদগী মালেমগী নুংনাংবা পোকহনখ্রে।

হৌজিক লায়না অসি অতোপ্পা লৈবাক ১২ রোমদা নাবগী পাউ লৈরে। য়ুরোপতা লায়না অসিনা নারে হায়না অহানবা খঙবা ফ্রান্সতা মীওই ৩ লায়না অসিনা নাবা থেংনরে হায়না ঙরাং ফোঙদোকখ্রে। অষ্ট্রেলিয়া অমসুং মালেসিয়াদসু লায়চৎ অসি থেংনরে।

কিনিঙাই ওইরবা লাইচৎ অসি থিংননবা চিনানা অকনবা মওংদা হোৎনরক্লিবা অদু লৈবাক কয়ানা থাগৎনরকখ্রে। কোরোনাভাইরস লাক্লিননবা চিনানা য়ান্না কন্না থবক চংশিল্লকখ্রে হায়না য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা অনীশুবা লায়না অসিনা নাবা মীওই থেংনখ্রবগী পুং খরগী তুংদা য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্দ ট্রম্পনা ত্বিট তৌখি।

য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা মখোয়গী কন্নবা হোৎনবা অমসুং ট্রান্সপরেন্সি অদুবু হায়নিঙাই লৈতনা থাগৎলি হায়না য়ু এস প্রসিদেন্ট ট্রম্পনা মখা তাখি।

# এষ্ট্রোনোটশিংনা স্পেসতা থোংবদা পুং ৩ লোম চংই



***ৱাসিংটন, জনুৱারি ২৫(এজেন্সি)ঃ***

ইন্টরনেসনেল স্পেস ষ্টেসন (আই এস এস)তা এষ্ট্রোনোটশিংনা স্পেসতা অহানবা কুকিশিং থৌরাং তৌখ্রে। অদুবু পৃথিবিদা মদু তৌবদা চংবা অদুদগী য়ান্না হেন্না মতম শাংনা চংখি।

স্পেস ষ্টেসন অদুগী ইটালিয়ান কম্মান্দর লুকা পরমিটারোনা চোকোলেট-চিপ কুকি এক্সপরিমেন্ট অদুগীদমক নাসা এষ্ট্রোনোট ক্রিষ্টিনা কোচনা তেংবাংদুনা বেকর ওইনা থবক তৌখি। পৃথিবিগী লৈমাইদা কুকিশিং বেক তৌবদা মিনিট ১৫-২০লোম চংই অদুবু মখোয়না খ্বাইদগী কন্না ফজনা হোৎনরবা ফাওবদা স্পেসতা ওভন অদুদা য়ামদ্রবদা পুং ২ রোম মথৌ তাবদু এষ্ট্রোনোটশিং অদুনা খঙখি।

অহানবা অমসুং অনীশুবা কুকিশিং অদু ওভন অদুদা মিনিট ২৫ অমসুং মিটি ৭০ রোম বেক তৌখি। অদুবু মদু ফাওবদা মুনফাৎখিদে। ওভন অদুদা মিনিট ১২০দগী ১৩০ ফাওবা থম্নবা মতুংদা খ্বাইদগী ফবা ফল ফংখি। ঐখোয়না স্পেস কুকিশিং অমসুং মিল্ক শেল্লে হায়না নাসা এষ্ট্রোনোট ক্রিষ্টিনা কোচনা হায়খি।

মাইক্রোগ্রেভিটিদা শিজিন্নবা য়াবা প্রোটোটাইব ওভন অদু নারোরেক্স অমসুং জেরো জি কিটচননা দিজাইন তৌবা অমসুং শাবনি। অদুবু অতেকপা কুকি থোংনবগী মচাক অদু দবল ট্রী বাই হোটেল চেইননা সপ্লাই তৌবনি।

ওভনগী থোঙ অদু হাংদোকপদা আই এস এসনা য়ুমগা চপ মান্ননা অতেকপা চোকোলেট চিপ কুকিশিংগা মান্নবা অমসুং মান্নবা মনম ফংখি হায়না নানোরেক্সনা ত্বিট তৌখি।

স্পোর্টসকার পার্টশিং, কুকিশিং থোংনবা ওভন অমা অমসুং রেদিয়েসনদগী ঙাকথোক্লবা ভেস অমগা লোয়ননা সপ্লাই সিপ অমা থাংজ নুমিৎতা ইন্টরনেসনেল স্পেস ষ্টেসন তন্না থাগৎখ্রে।

মখোয়দু কুকিশিংগা মশক অমসুং মনম মান্নরবসু মহাও তংদে হায়না এষ্ট্রোনোটশিং অদুনা হায়খি।

কুকিশিং অদুগী মনুংদগী খরা স্পেস এক্স দ্রেগোন এয়ারক্রাফতা জনুৱারি ৭দা পৃথিবিদা অমুক হন্না পুরক্কনি অমসুং মদু চাবা য়াব্রা হায়বদু লেপ্নবা ফুদ সাইন্টিষ্টশিংনা চাংয়েং চখগনি।

হৌজিক হৌজিক ইন্টরনেসনেল স্পেস ষ্টেসনদা পৃথিবিদা ঐখোয়না তৌরিবা অসিগী মওংদা চিঙ্গাকশিং থৌরাং তৌনবা সুপ্নগী অকক্লবা মওংতমক লৈ হায়না হিলটন হোটেল চেইননা থাগৎলকখিবা ভিদিও অমদা জিরো জি কিটচন ফাউন্দর ইয়ান ফিটচটেনবাউমনা হায়খি।

কো-ফাউন্দর জোরদানা ফিটচটেনবাউমনসু হৌজিক্তি স্পেসতা মতম হেন্না শাংনা পাইবা হায়বসি হেন্না তোয়না তৌনরক্লবনা স্পেসপু হেন্না লৈবা নুংঙাইবা হেলহন্নবা হোৎনবদা নখোয়না অহেনবা মীৎয়েং চংবা পামগনি হায়না মখাতাখি।

# ২৬ জনুৱারি ২০২০ ঃ রিপব্লিক ডে পেরেদতা অহানবা ওইনা অপাচি, চিনূক হেলিকোপ্টরশিংনা ফ্লাইপাস তৌগদৌরি

***ন্যু দিল্লি, জনুৱারি ২৫(এজেন্সি)ঃ***

হন্দক্তা নৌনা দিফেন্স ফোর্সতা থবক শিজিন্ননবা হৌনবা হাপচিনখিবা ষ্টেল্থ এটেক হেলিকোপ্টর অপাচি অমসুং ট্রান্সপোর্ট হেলিকোপ্টর চিনূক হেলিকোপ্টর অহানবা ওইনা হয়েং জনুৱারি ২৬, ইন্দিয়াগী ৭১ শুবা রিপব্লিক ডেদা ফ্লাইপাস তৌগদৌরি। ইন্দিয়ান এয়ার ফোর্সকী টেব্লুদা রাফেল জেট ফাইটরগী মোদেল অমসু উৎকদৌরি।



রিপব্লিক ডে পেরেদকী থৌরম অদুদা ইন্দিয়ান এয়ার ফোর্সনা মখোয়গী খূৎশু-খূৎলাইপী পুক্কেদা হন্দক্তা নৌনা হাপচিনখিবা সিষ্টেম ৫ রাফেল এয়ারক্রাফ, ফ্লাইট কম্বেট এয়ারক্রাফ (এল সি এ) টেজাজ, লাইট কোম্বেট হেলিকোপ্টর (এল সি ঐচ), সর্ফেস-টু-এয়ার গ্রাউন্দ ৱিপন আকাশ মিসাইল অমসুং অষ্ট্র মিসাইলশিংগী মোদেলশিংসু উৎকনি।

থংনা-থংননা অনীরকশুবা ওইনা পাক চাওরবা রাজপথদা পার্সোন্নেল ১৪৪গী ইন্দিয়ান এয়ার ফোর্স কন্টিজেন্ট অদুবু ফ্লাইট লেফটনেন্ট শ্রীকান্ত শর্মনা লুচিংগনি। শীংথানিঙাই ওইরবা দ্রম মেজর ৱারেন্ট ওফিসার অশোক কুমারনা আই এ এফ বেন্দ অদু লুচিংগনি।

ফ্লাইট লেফটনেন্ট গগনদীপ গিল অমসুং ফ্লাইট লেফটনেন্ট রীমা রাইনা শ্রীকান্ত শর্মগী হেক তুংদা কন্টিনজেন্ট অদুগী মমাঙ থংগদবা নুপী ওফিসার অনীনি।

রিপব্লিক ডে থৌরমদা পাংথোক্কদৌরিবা ফ্লাইপাস অদু আর্মিগী এভিয়েসন আর্মগী হেলিকোপ্টর ৪ অমসুং ইন্দিয়ান এয়ার ফোর্সকী এয়ারক্রাফ ৪১না শাগনি। এয়ারক্রাফকী মখলশিং অদুদা ফাইটর ১৬, ট্রান্সপোট এয়ারক্রাফ ১০ অমসুং হেলিকোপ্টর ১৯ য়াওগনি। ফ্লাইপাস অদু তাঙ্কক অনী থোক্লা পাংথোক্কনি।

রিপব্লিক ডে নুমিৎ অসিদা ইন্দিয়ানা ওফিসিয়েল ওইনা কনষ্টিট্যুসন চৎনবা হৌখি অমসুং মনিং-মখা তম্বা রিপব্লিক অমা ওইরকখি। নুমিৎ অসি পাংথোক্লবা প্রসিদেন্টকী বোদিগার্দ- পার্সোন্নেল ২০০গী শাগোল লান্মী য়ুনিট অমনা ফজরবা অঙাংবা কোটশিং লিৎতুনা কোকয়েৎশিং উপতুনা প্রসিদেন্টপু রিপব্লিক ডে পেরেটকী ষ্টেটজদা এস্কোর্ট তৌরক্কনি অমসুং জাতিগী ঈশৈ শরুবা ওর্দর পীগনি।

মালেমগী লুচিংবশিং শরুক য়ারিবা অমসুং মীওই মিল্লিয়ন ১.৩ কী লৈবাক অসিগী মফম পূন্নমক্তা শন্দোক্কদৌরিবা ন্যু দিল্লিদ পাংথোক্লিবা রিপব্লিক ডে থৌরম অসিনা ইন্দিয়াগী মিলিটরিগী তৌবা-ঙম্বা মথৌনা অদু উৎকনি অমসুং মসি চহীগী খ্বাইদগী মরুওইরবা ষ্টেট ইভেন্ট অদুনি।

# নোংপোক থংবা টর্কিদা য়ুহার হাবদা ২১ শিখ্রে, ১,০০০ হেন্না শোকখ্রে

***এলাজিগ, জনুৱারি ২৫(এজেন্সি)ঃ***

নোংপোক থংবা টর্কিদা অকনবা য়ুহার হাবা অমদা য়ামদ্রবদা মীওই ২১ শিখ্রে অমসুং মীওই ১,০০০ হেন্না শোকখ্রে। নীংখায়রবা বিল্ডিংশিংগী মখাদা ননশিন্দুনা লৈরম্বা য়াবা মীওইশিং কন্ননবা রেস্ক্যু টিমশিংনা ঙসি থাংজ নুমিৎতা অকনবা মওংদা থিবা-হুম্বগী থবক চখখ্রে।



ঙসি থাংজগী অঙনবদা টর্কি গভর্ণমেন্টকী দিজাষ্টর এন্দ ইমর্জেন্সি মেনেজমেন্ট এজেন্সি (এ এফ এ দি)না ত্বিট কয়ামরুমদা নোংপোক থংবা এলাজিগ প্রোভিন্সতা বিল্ডিং অতেক-অকাই মখাদা মীওই ৫ হিংনা চিংথোক্লে হায়খি।

ষ্টেট ন্যুজ এজেন্সি এনাদোলুনা য়ুহার হাবা অদুগী পুং ১২গী মতুংদা কনখিবা মীওইশিং অদুগী মনুংদা মীরোনবী নুপী অমসু য়াওই হায়খি।

নুমিদাং পুং ৮.৫৫ লোম তাবদা এলাজিগকী অপীকপা পাৎপানগী টাউন সিভ্রাইসতা ইপিসেন্টর ওইবা য়ুহার হাবদু মেগ্নিচুদ ৬.৮ য়ৌনা কল্লি। য়ুহার হাবদুগী মতুংদা য়ামদ্রবদা মীওই ৩০ থিবা খঙদনা লৈরি।

প্রসিদেন্ট রেসেপ টায়য়িব এরদোগাননা য়ুহার হাবনা শোক্লবা মীওইশিং তেংবাংনবা থবক পূন্নমক লৌখৎলে হায়খি। ঐখোয়না ঐখোয়গী মীয়ামগীদমক লেপ্লি হায়না ত্বিটরদা প্রসিদেন্ট এরদোগাননা হায়খি।

এলাজিগতা ১৭ অমসুং মালাটিয়াদা ৪ য়াওনা য়ামদ্রবদা মীওই ২১ শিখ্রে অমসুং অতোপ্পা মীওই ১০৩০ শোকখ্রে হায়না এ এফ এ দিনা হায়খি। নোংপোক থংবা প্রোভিন্স এলাজিগকী কোনুংদগী কিলোমিটর ৩০ রোম লাপ্পদা মথোন ৪গী বিল্ডিং অমা নীংখায়বদা ননশিনখিবা মীওইশিংগীদমক রেস্ক্যু টিমশিংনা কন্নবা হোৎনরি।

মালাটিয়াদা য়ুহার হাবদুদগী চেম্থোক্লরকপা মীয়াম থন্ননবা স্পোর্টস সেন্টরশিং, স্কুলশিং অমসুং গেষ্ট হাউসশিং হাংদোক্তুনা থমখ্রে।

১৯৯৯দা নোংচুপ থংবা টর্কিগী ইজমিৎতা মেগ্নিচুদ ৭.৪ য়ৌনা কনবা য়ুহার হাবা অমদা লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী চাওবা সিটি ইষ্টানবুলদা মীওই ১,০০০রোম য়াওনা পুন্না ১৭,০০০ হেন্না শিখি।

# কেরলা অমসুং পঞ্জাবকী মথঙদা রাজস্থাননসু ষ্টেট এসেমব্লিদা সি এ এগী মায়োক্তা ৱারেপ পাস তৌখ্রে

***জয়পুর, জনুৱারি ২৫(এজেন্সি)ঃ***

কোংগ্রেসনা লৈঙাকপা রাজস্থাননসু লৈবাক শিনবা-থুংনা প্রোটেষ্ট তৌরিবা চয়েৎনরিবা সিটিজেনসিপ এমেন্দমেন্ট এক্ট সি এ এ অদু রিপিল তৌনবা সেন্টরদা তকশিল্লদুনা ঙসি ষ্টেট এসেমব্লিদা এক্ট অদুগী মায়োক্তা রিজোল্যুসন অমা পাস তৌখ্রে।




কেরেলা অমসুং পঞ্জাবনা এক্ট অসিগী মায়োক্তা রিজ্যুলুসন পাস তৌখ্রবগী মথঙদা পার্লিয়ামেন্টতা পাস তৌখিবা এক্ট অসিগী মায়োক্তা এসেমব্লিনা ৱারেপ লৌবসি রাজস্থাননা ৩শুবা ষ্টেটনি।

সি এ এগী মায়োক্তা রাজস্থান ষ্টেট এসেমব্লিদা ৱারেপ অদু লৌখিবা অদুদা এক্ট অদুবু শৌগৎপা খোল্লাওশিং লাওদুনা বি জে পিগী মেম্বর কয়ামরুন্না হাউসকী ৱেলদা হুপচনখি।

হন্দক্তা পার্লিয়ামেন্টনা এক্ট ওম্থোক্লবা পাস তৌখিবা সি এ এ অদুনা লাইনিংগী য়ুমফমদা ইলিগেল মাইগ্রেন্টশিংবু মখল খায়দোক্লবগী পান্দম থম্মি হায়না এসেমব্লিদা পাস তৌখিবা ৱারেপ অদুনা হায়রি।

অসুন্না লাইনিংগী য়ুমফমদা মীবু মীচং-মীখায় নাইবগী থবক চথবা অসি কনষ্টিট্যুসনদা য়াওরিবা সেক্যুলরগী ফিদমশিং অদুগা চান্নদে অমসুং মসি কনষ্টিট্যুসনগী আর্টিকল ১৪বু শেংনা থুগাইবনি হায়না ৱারেপ অদুনা মখা তাখি।

লাইনিংগী য়ুমফমদা মীবু মীচং-মীখাই নাইনা খায়দোকপা লো অমা চৎনহনবসি লৈবাক অসিগী ইতিহাসতা মসিনা অহানবনি হায়না ৱারেপ অদুনা মখা তানা ফোঙদোকই। মসিগী মরম অসিদগনি সি এ এনা নুংথিৎনা লৈবাক অসিগী মফম পূন্নমক্তা অশাওবা পোকহল্লিবা অমসুং পাক শন্না প্রোটেষ্ট তৌহল্লক্লিবসি হায়না ৱারেপ অদুনা হায়রি।

লৈঙাক্লা পাংথোক্লবা হৌদোক্লিবা লৈবাক শিনবাথুংবগী নেসনেল রেজিষ্টার ওফ সিটিজন্স (এন আর সি) অমসুং অসামগী মতাংসু ৱারেপ অদুদা পল্লি। হৌখিবা চহীদা ষ্টেট অদুদা পুথোকখিবা সিটিজেন লিষ্ট অদুদা মীওই লাক্ষ ১৯ হেন্না য়াওহল্লকখিদে।

হৌখিবা থাদা কেরলা ষ্টেট এসেমব্লিনা সি এ এগী মায়োক্তা ৱারেপ লৌদুনা অসুন্না তৌবদা ষ্টেট অসিনা অহানবা ওইখি। ৱারেপ অদু এসেমব্লিনা লৌরকখিবা অদুদা অমখক্তং ঙাইরবা বি জে পি এম এল এ ও রাজাগোপাল খক নত্তনা পার্টিগী ৱা থিদনা লুচিংবা পূন্নমক্লা শৌগৎখি। লো অসিগী মায়োক্তা সুপ্রিম কোর্টতা ৱাকৎ থাঙ্গৎপদসু ষ্টেট অসিনা অহানবনি। মসিগী মতুংদা কোংগ্রেসনা লুচিংবা পঞ্জাব গভর্ণমেন্টনা এক্ট অসিগী মায়োক্তা এসেমব্লিদা ৱারেপ লৌখি।

ৱেষ্ট বেঙ্গলদসু সি এ এ অসি ককথৎনবা ৱারেপ অমা লৌনবা জনুৱারি ২৭কী নুংথিল পুং ২দা ষ্টেট এসেমব্লিগী অখন্নবা মীফম অমা কৌখ্রে। ষ্টেট অসিগী চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জিনা সি এ এগী মায়োক্তা হৌখিবা চয়োল খরদগী হৌনা প্রোটেষ্ট তৌরকখিবনি।

# ইরান এটেকতা য়ু এস ট্রুপ ৩৪ ট্রোমেটিক ব্রেন ইঞ্জ্যুরিগী লাইওং লৈরে

***ৱাসিংটন, জনুৱারি ২৫(এজেন্সি)ঃ***

ইরাকতা লৈবা য়ু এসকী বেজ অমদা ইরাননা মিসাইল এটেকশিং তৌরকখিবা অদুদা য়ু এসকী লান্মী ৩৪ ট্রোমেকি ব্রেন ইঞ্জ্যুরি থোকপগী লাইওং লৈরে হায়না পেন্টাগোননা ঙরাং ফোঙদোকখ্রে। মশীং অসি মিলিটরিনা হান্না লাওথোকখিবা মশীংদগী হেল্লি।

য়ু এস প্রসিদেন্ট অমসুং অতৈ মকোক থোংবা ওফিসিয়েলশিংনা হান্নদি ইরানগী এটেক অদুদা য়ু এসকী লান্মী অমত্তা শিখিদে নৎত্রগা শোকখিদে হায়খিবনি।

য়ুমশকৈশা নুমিৎতা প্রসিদেন্ট ট্রম্পনা মখোয় কোকচিকপা অমসুং অতৈ মওং খরা তৌরে হায়বদু তারে হায়রদুনা ইঞ্জুরিশিং অদুবু করিসু নৎতবা অরাইবদৌনা উহন্নবা হোৎনখি।

য়ু এস মিলিটরিনা পূন্সি মাঙনিঙাই ওইবা, হকচাং কয়াৎ নৎত্রগা মীৎ শোকপগুম্বগী রিপোর্ট খুদক্তা পীবা তারবসু ট্রোমেটিক ব্রেন ইঞ্জ্যুরি নৎত্রগা টি বি আইগী মতাংদা রিপোর্ট তৌনবগী খুদক্কী ওইবা মথৌ তাবা অমা লৈতে। টি বি আই হায়রিবসি দাইগ্নোস তৌনবা হোৎনবদা মতম চংই।

পেন্টাগোন দাটাগী মতুং ইন্না ২০০০গী মতুংদগী হৌজিক ফাওবদা য়ু এসকী লান্মী ৪০৮,০০০ রোম ট্রোমেটিক ব্রেন ইঞ্জ্যুরি থোকখ্রে হায়রি।

য়ু এস দ্রোন এটেকনা ইরানগী রিভোলুসনরি গার্দসকী কুদস কম্মান্দর জেনরেল কাসিম সোলৈমানিবু বাঘদাদ এয়ারপোর্ট মনাক্তা হাৎখিবগী লমন খুমদুনা ইরাননা ইরাকতা লৈবা য়ু এস বেজশিংদা মিসাইল ময়াম কাপ্পুনা লমন খুল্লকখিবনি।

# অসামনা লাইরবদা চেঙ লেন্না পীরগনি

***গুৱাহাটি, জনুৱারি ২৫(এজেন্সি)ঃ***

মথঙগী বজেটতা বি জে পিনা লুচিংবা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা লাইরবদা চেঙ লেন্না পীরগনি অমসুং অতাবা মমলদা হৱাই অমসুং চিনিসু ফংহল্লগনি হায়না ঙরাং ইরাই নুমিৎতা অসাম ফাইনান্স মিনিষ্টর হিমন্তা বিশ্ব শর্মনা লাওথোকখ্রে।

অসামদা লাইরবশিংনা চেঙ কিলোগ্রাম অমদা লুপা ১দা ফংলগনি।

চেঙ লেন্না ফংহল্লগনি গভর্ণমেন্টনা শক্তি পায়রকখিবা মতমদা হৱাই অমসুং চিনিগী মমল অতিয়াপক্লা ৱাংখৎলকখি। ঐখোয়না হৱাই অমসুং চিনিগী মমল অদু য়ামদ্রবদা চাদা ৫০ হন্থহল্লগনি। স্কিমশিং অসি মথঙগী বজেট সেসনদা লাওথোক্লগনি হায়না অসামগী গোলাঘাততা অনৌবা সিটিজেনসিপ লো সি এ এ শৌগৎপা মীফম অমদা মিষ্টর শর্মনা হায়খি।

ফাইনান্স মিনিষ্টর হিমন্ত বিশ্ব শর্মনা কোংগ্রেসপু, পার্টি অসিনা সি এ এগী মায়োক্তা হৌজিক প্রোটেষ্ট তৌরি অদুবু মখোয়না শক্তি পায়রিঙৈদা কাজিরঙ্গা নেসনেল পার্কতা আইননা য়াদবা বাংলাদেসিশিং খুন্দাহনখি হায়না চৈখি। বি জে পিনা লুচিংবা গভর্ণমেন্টনা হৌজিক নেসনেল পার্ক অদু লম খোপচিনবশিংদগী লৌথোক্লে। মদুগী মতুংদগী হৌজিক ফাওবা মচি অমা পানবা শামুগন্দাশিং হাৎপগী মশীং শাথিনা হন্থহল্লকখ্রে। কোংগ্রেসকী লৈঙাক মতমদদি চহী খুদিংগী শামুগন্দা ৫০ ফাওবা হাৎখি। হৌজিক মদু অমা ফাওবা হাৎত্রে হায়না মহাক্না হায়খি।

অসাম, ট্রিপুরা অমসুং সিক্কিমদা হিন্দু বেঙ্গলশিং লৈবা মরন্না ষ্টেটশিং অদু সিটিজেনসিপ এমেন্দমেন্ট এক্টকী মখাদা পুসিনবনি হায়না শগোলশেল নুমিৎতা গুৱাহাটিদা পাংথোকপা থৌরম অমদা মহাক্না হায়খি।

নাগলেন্দ, মণিপুর, মেঘালয়া অমসুং মিজোরামগুম্বা ষ্টেটশিংদি হিন্দুবেঙ্গলশিং লৈতবা মরন্না সিটিজেনসিপ লো অদুগী ৱাংমদা লৈ হায়খি। গভর্ণমেন্ট রেকোর্দসকী মতুং ইন্না নাগালেন্দ, মণিপুর, মেঘালয়া অমসুং মিজোরামদা হিন্দু বেঙ্গলি পোপুলেসন লৈতবগা মান্নে।

অয়েকপা লাই অসিদা খেন্নবা তরুক য়াওরি, খেন্নবশিং অদু পুথোকউ ঃ
ꯑꯌꯦꯛꯄꯥ ꯂꯥꯏ ꯑꯁꯤꯗꯥ ꯈꯦꯟꯅꯕꯥ ꯇꯔꯨꯛ ꯌꯥꯎꯔꯤ, ꯈꯦꯟꯅꯕꯁꯤꯡ ꯑꯗꯨ ꯄꯨꯊꯣꯛꯀꯎ :



## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-368**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 2 | | | 8 | 4 | | 3 | | |
| | | 1 | 5 | 3 | | | 8 | |
| | 8 | | | 2 | | 1 | | 5 |
| | 1 | 5 | | | 3 | | 2 | |
| 9 | | | | | 2 | | 3 | |
| 8 | | | 1 | | | | | 9 |
| | | 3 | | | 8 | 2 | | |
| 1 | 9 | | | | | | 7 | |
| 5 | 2 | | | | | | 1 | 8 |

GAS TODAY

**Maibia Gas, Moirang**
Booking : 18/11/19
Sl. No. : 0200
Valid : 14/11/19
Sl. No. : 9721
Stk. : 306
Time : 07.00 to 11.00 a.m.
Delivery On 27/01/20

**Nongpok Sekmai Indane**
Booking : 05/12/19
Valid : 29/11/19
Stk : 306
Time : 08.00 to 10.00 a.m.

**Santhel Bazar Indane**
Booking : 20/11/19
Valid : 19/11/19
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m.
First Come First Serve

সনা-সুদোকু-৩৬৭ গী সোল্যুসন

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | 8 | 9 | 3 | 2 | 6 | 4 | 5 | 7 |
| 3 | 6 | 5 | 4 | 7 | 9 | 2 | 1 | 8 |
| 4 | 7 | 2 | 8 | 5 | 1 | 6 | 9 | 3 |
| 6 | 1 | 8 | 5 | 3 | 2 | 7 | 4 | 9 |
| 7 | 5 | 3 | 1 | 9 | 4 | 8 | 2 | 6 |
| 2 | 9 | 4 | 6 | 8 | 7 | 1 | 3 | 5 |
| 8 | 2 | 7 | 9 | 1 | 3 | 5 | 6 | 4 |
| 5 | 3 | 6 | 2 | 4 | 8 | 9 | 7 | 1 |
| 9 | 4 | 1 | 7 | 6 | 5 | 3 | 8 | 2 |